থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং, ৱাখল অনীগী পোত্থোক - ২

অহৌবমক্তদা ঈশ্বর (তাইবং শেম্বা মপু)না স্বর্গ অমসুং পৃথিবী (অতিয়া অমসুং মালেম/হেভন এন্দ অর্থ) শেম্লে। মতমদুদদি মালেম অসিগী অরেপ্পা মশক লৈরমদে, পূমহাঙ হাঙলম্মী, অমম্বা ঈরোন্নুংদা লূপ্লম্মী। অদুদগী ঈশ্বরনা হায়খি, 'লেৎ দিয়র বি লাইত' (মঙাল লাকপা ওইরসনু)...। অসূম্না মঙাল ওইরকখি...।

মমিঙ চৎপা ধর্ম্মগী লাইরীক অমগী অহৌবা ৱাহৈ পরেংশিংদুনি। অহাঙবা মালেম অসি উপাল-ৱাপাল-থৱায়-পানবশিং পূমথন থন্না লৈরকখিবা... লেঙলি-পাল্লিবা, অচৎ-অওক পূম্নমক ঈশ্বর মাগী য়াথং অমদা লেপ্পমক ওইরকখিবই ৱারীদুনি, মহৈ-মশিন হৈরবা, চাউখৎলবা লৈপাকশিংগী প্রজাশিংনা, পূক্লিং-লূপ্পা থাজবা অমগা লোয়ননা পানরিবা...পানরক্লিবা চহী লীশিং অনীগী মমাঙদগী। মহাক্কী য়াথং অমদা তাইবংপান অসি ওইখ্রগা, মহাক্লা হায়হৌদবা/চীখৎহৌবা ৱাহৈ অমদি লৈরে। করম্না কাউথোকখিবনো? খনফম খঙদে মদুমদি। 'লেৎ দিয়র বি ওনলি হেভন' (মফমসিদা স্বর্গ খক্তমক লৈবা ওইরসনু) হায়বা য়াথংদুমদি তৌরমদ্রিবা করিনো? মহাক্লা করিগুম্বা য়াথং অদু তৌরম্বা থোক্লবদি মালেমগী থৱায়পানবা পূম্নমক স্বর্গ (লাইলৈপাক)তা লৈরমগদবনি। শিরবা মতুংদা স্বর্গ চৎপা/কাবগী অৱাবা অমা মায়োক্লরিবসি মায়োক্লরম্লোইদবনি। করিগুম্বা মহাক্লা য়াথং অদু তৌরম্লবা, লাইরৈপাক্কী লৈকোলদা 'অদাম'না পাপ লঙশীনখিবই থৌদোক্তুসু থোক্লম্লোই... পাপিশিংনা লঙশীনখিবা পাপতুগীদমক 'প্রভু যিশু'না মথ্বাই থাখিবগী তঙায়ফদবা তানফমদুসু লাক্লম্লোই।

ৱাখল শেরান্নগুমসিকো। মীওইবগী পূক্লিং কৌবা, ৱাখলগী হৌরকফম ওইবা লীখুন'দুদগী থোক্লকপা ৱাখল অমনি। 'স্বর্গ' কনানা শেম্বনো? লাইগী মপাউ পুদুনা লাক্লম্বা মখোয় কনামক্তনা ময়েক শেংনা হায়রমদে। ঈশ্বর'না স্বর্গ শেম্বনি হায়রমদবগী মরমদি, 'নরক'তি কনানা শেম্লম্মী- হায়বা ৱাহং অম'মুক হংলক্কনি খঙবননি। থোরক্কদবা ৱাহংসিগী খল্লগনি 'দেভিল' (লাই ফত্তবা) হায়বা 'কন্সেপ্ত' অমসু পুথোক্লম্লিবা মীওইবগী পূক্লিংনা। 'গোদ' হায়বসিনা 'অফবা-লাই'নি, 'দেভিল' হায়বদুনা 'ফত্তবা লাই'নি- পাথাঙ পুথাঙ নাইনা তম্বীরকই ঐখোয়দা। অফবা মী কনানো খন্দোক্লবা 'ফত্তবা মী' মশক খঙবা তঙায়ফদে। পূম্নমকপু শেম্বীবদি ঈশ্বর-মানি হায়রবনিনা অফবা অমদি ফত্তবা মী অনীমক, মাগী খূৎশেমনি হায়বা তাবনি ঐখোয়সু। ঈশ্বর-মাদি অফবতমক তৌবনি, ফত্তবা মী শেম্লম্লোই। অদুবু, মালেমসিদা লৈরিবা মীশিং অসিদি ফত্তব'না মশীং হেনবনিনা, ফত্তবা মী শেম্বা ফত্তবা লাই (দেভিল) অমা লৈ হায়বা কাউন্টর-অর্গ্যুমেন্ট অমসু থোক্লকই। মাঙলমচৎ'তা, মী ঐখোয়না খঙহৌদবা তানফম অমদা 'লাই অফবা' (গোদ) অমদি 'লাই ফত্তবা' (দেভিল) অনীগী মরক্তা অকনবা লান অমা শোক্লরমগনি শোয়দনা। লানফমদুদা 'ফত্তবা-লাই'না লানঙম ফিরাল পায়খিরমগনি। অদুননি, ফত্তবা মী মশীংনা অফবদগী হেন্না লৈরিবা। ঈশ্বরগী মচা ইবুংঙো 'যিশু' ফাওবা পাং তিংদুনা হাৎখ্রিবা !

মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা খৃষ্টিয়নশিংগী চর্চ, মহম্মদনশিংগী মসজিদ, হিন্দুশিংগী মন্দির, বুদ্ধিস্তশিংগী মোনাস্তরি, মশীং খঙদনা লৈরিবা অতোপ্পা লাইনীং লম্বীশিংগী লাইশঙদা লাইগী থৌগল তৌরিবশিং... মখোয় মিল্লিয়ন কয়ানো, মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফ-পাউজেল য়েল্লিবা, অফবা থবক তৌদুনা পুন্সিদুমা কত্থোক্লিবা! অদুগা করিগী ফত্তবা মী মশীংনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা? চাইনিজ ফিলোজোফর 'লাও জু'না হায়খিবদু নীংশিংই... 'ধর্ম্মগী লুচিংবা, লাইগী মচাশিং অমদি পাউজেল্লোয়শিংসি লাক্ত্রিঙৈ মালেমসি ধর্ম্ম-লৈবা, অফবা মীতনা পিক থল্লম্মী... মখোয় লাকখিবদগীনি মালেমসিগী মীওইবা পাপিঙাক্তা ওইরকখিবা'...। পাপকী থবক তৌবা হেনগৎলকখিবা।

খৃষ্টিয়ন থিওলোজিষ্টশিংনা, হৌখিবা চহী লীশিং অনীসিদা থিরক্লিবসি ৱাহং অমখক্কী পাউখুম্নি... 'পীনহৈবা, থৌজালহৈবা, অফবা ঈশ্বর মহাক লৈনা লৈনা ফত্তবা মী শেম্বা (ফত্তবা) লাই অমা থোরক্লিবসি কদায়দগীনো'...? পাউখুমদু ঙসি ফংলবরা? নো ! ফংদ্রি ! মরম'সিনা, অফবা অমসুং ফত্তবা, অনীসিবু তোখায় তোখায় থল্লকই- অফবা পূম্নমক 'ঈশ্বর'গীনি, ফত্তবা পূম্বনা 'সৈতান'গীনি। সৈতানগী মনাক নক্লোইদবনি, ঈশ্বরগী মফমদা চঙজগদবনি। মঙোন্দা চঙজব'দুখক্তনা স্বর্গ ফংবা ওইগনি।

অদুবু ঐখোয়, ৱাখলসিমদি খন্থগদবা ৱাৎলি- সৈতান (দেভিল) দুদি কদায়দগী লাকপনো? মহাক কনাগী খূৎশেমনো? ফত্তবা লাই (সৈতান)দুসু ঈশ্বর মাগী খূৎশেমনি, মঙোন্দগী থোরকপনি। ৱাফমসি ঐখোয় য়াগদবনি। য়ানীংদবা থোক্লগনা, 'তু গোদস থিওরি' (ঈশ্বর অনী শুই হায়বা) অসি ঐখোয় য়াবা তাই। অদুগা, 'গুদ ৱিনস ওভর ইভিল' (অফবনা ফত্তবগী মথক্তা জয় ওই) হায়বসিগী মহুত্তা 'ইভিল ৱিনস ওভর গুদ' হায়নসু ওন্থোকপা তাই। মরমদি, ঙসিগী মতম অসিদা- পোলিটিক্স'তা, এদ্যুকেসন'দা, মোরেলিতি'দা চাদা মরিফুতরামাপল, অফবা ঈশ্বর থাজবা মখোয়দুগী মায়থীবনি মায়োক্লরিবা। গোদ ইজ ওন দ লুজিং সাইদ, 'সৈতান'- ওন দ ৱিন্নিং সাইদ।

অদুবু, মুন্না খনজীল্লুরবা, খঙলক্কনি- অফবা অমসুং ফত্তবা অনীসি তোখায় তোখায়বা, মান্নদবা পোৎশক অনী নত্তে। চপ মান্নবা পোৎশক অমদা তোখায়বা মীৎয়েংনা য়েংবনি- ঈশিং হায়বা পোৎশক অদুদা শাবগী দিগ্রী খেন্নবগী মতুংইন্না অশাবা ঈশিং/অঈংবা ঈশিং হায়দুনা অনী খায়দোকপগুম্বনি। অফবগী চাং ৱাৎপা মীশক অদুবু কৌই 'ফত্তবা মী'। অফবগী চাং ৱাংনা য়াওবা অদুবুনা 'অফবা মী'। অতোপ্পা মীৎয়েং অমদনা- ফত্তবগী চাং ৱাৎপা মীদুনা 'অফবা মী', ফত্তবগী চাংনা হেনবা মীদুনা 'ফত্তবা মী'। ধর্ম্ম অমদা লূপখ্রবা কনাগুম্বা অমগী মীৎয়েংদনা, মহাক্লা থাজবা লাইদুনা পীবা য়াথংদু ইন্দবা মীদুনা ফত্তবা মী, য়াথংদুবু থাজবা, ইন্দ্রবসু ইনবা শারিবা, মতৌ মানহল্লিবা কাঙবুদুনা অফবা মী। অসুম্না, ৱাখল মরা তানা খনবা কনাগুম্বা অমনদি হায়রক্কনি- অফবা অমসুং ফত্তবা, তোঙানবা পোৎশক অনী নত্তে, অমত্তনি। ঐখোয় মীওইবগী পূক্লিংসিমক অফবা অমসুং ফত্তবা, অমা য়াওদ্রবদি অমদুসু লৈঙমদবা, অমত্তা ওইবা অনীসিগী মরক্তা অমগী মথক্তা অমনা লানঙম ফিরাল পায়নবা লান্থেংনরিবা লানফমদুনি। অফবা মীনি খনজরিবা মহাক্তুসু খঙই 'ফত্তবা লৈতনা অফবা লৈরোই'। ফত্তবা মী ওইনা মমিং চৎলবা মহাক্তুনসু অফবা মী শক খঙই। মরমদি, অনীমক মশাদা য়াওজবা গুন ঙাক্তনি। অফবসু ফত্তবসু মহাক মশামক্লি হায়বা মুন্না খঙই পূক্লিংনা।

---

লৌশিং পুক্কে

# খোঙ হাম্বদা শংবা

## মসিগী খুদোংথীবশিং অমদি মসিবু থাদোক্লবগী পাম্বৈশিং-২

**অকক্লবা** কন্দিসন অমসুং লায়না খরনসু হকচাং মনুংদা য়াওবা মহীগী শরুকশিংগী খল চানা থম্বদা মতেং পাংবা হোর্মোনশিংগী খল কায়হন্দুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা ওইহনবা য়াই। অসিগুম্বা কন্দিসনশিং অসিগী মনুংদা:

— হাইপরপেরাথাইরোইদিজম (পেরাথাইরোইদ গ্লান্দ হেন্না এক্তিভ ওইবা)
— হাইপোথাইরোইদিজম (থাইরোইদ এক্তিভ ওইবা ৱাৎপা)
— দাইবিটিজ
— মীরোনবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

**শংদনা খোঙ হাম্বা করম্না য়াহনগদগে?**

খোঙ হাম্বা মতমদা শংবগী থৌওং থাদোক্লবগীদবক দাইজেষ্টিভ ট্রেক্ট (ইন্টেষ্টাইন, রেক্টম, অমসুং অমাংথোঙ) মশা ফহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিগীদমক তৌগদবশিংদি:

— ঈশিং মরাঙ কায়না থকপা
— মচি ওইবা মচলশিং শুনা য়াওবা দাইট চাবা
— চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা
-- খোঙ হাম্বা নুংঙাইনবা টেক্নিকশিং প্রেক্টিস তৌবা অসিনচিংবশিংনি।

**মহীগী শরুক মরাঙ কায়না থকপা**

নুপীশিংনা নোংমগী মহীগী শরুক কপ ১১ ১/২ রোম থক্কদবনি, অদুগা নুপাশিংনা নোংমগী কপ ১৫ ১/২ রোম থক্কদবনি।

মহীগী শরুক অসি ঈশিং; অতোপ্পা থক্লবা মহী-মনায়শিং; অমদি চানবা চীঞ্জাক (নোংমগী হকচাংনা ফংবা মহীগী অপূনবা শরুক্কী চাদা ২০দি চীঞ্জাক্তগী ফংই) অসিনচিংবশিংদগী ফংই।



করিগুম্বা ইশানা থকপা মহীগী শরুকশিংগী চাং মোনিটর তৌদবা ওইরগনা, হক্কী ঈশিং নাপু মচু পারপ্পা ওইরবা নৎত্রগা ইরূ লূরবা অমদি ঈশিং খৌরাংবা থোইনা ফাওদ্রগদি মহীগী শরুক থকপগী চাং চারীবগী ওইরম্বা য়াই।

হারভার্দ মেদিকেল স্কুলনা রেক্কমেন্দ তৌরি মদুদি ঐখোয়না নোংমগী ঈশিং কপ ৪দগী ৬ ফাওবা (এম এল ৯৪৬তগী এম এল ১,৪১৯ ফাওবা) খরা-খরা (অমুক্তংদা পুল্লপ থকচিনবা নত্তবা) থক্কদবনি।

**মচি ওইবা দাইট চাবা**

খোঙ হাম্বা নুংঙাইনবগীদমক মশিং (ফাইবর)গী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাকশিং চাবনা অমাংবা থোৎতোকহনবা অমসুং খোঙ হাম্বা নুংঙাইহনবগা লোয়ননা খোঙ মপুঙ ফানা হামদোকহনবা ঙমই। মশিংগী চাং নেম্না য়াওবা চীঞ্জাকশিং (শঙ্গোমগী পোত্থোকশিং, শা, প্রোসেস তৌরবা স্নেক ফুদশিং) চাবগী চাং হন্থগদবনি।

**হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা**

হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবনা কনষ্টিপেসন তৌবদগী ঙাকথোকপা অমদি ফহনবদা মতেং পাংবা ঙমই, লোয়ননা মেন্টল হেল্থসু ফগৎহল্লি। হকচাং শাজেল নোংমগী মিনিট ৩০ চয়োল অমদা য়ামদ্রবদা মঙারক তৌনবা হোৎনগদবনি। হকচাং শাজেল তৌনবগী খ্বাইদগী অফবা মওংশিংগী মনুংদা:

— য়ূম্লোন কৈরোন্নবদা খোঙনা চৎলুবা
— অনকপদা লৈবা পার্কতা খোঙনা চৎলুবা
— সাইকল থৌবা
— ঈরোইবা অসিনচিংবশিং পনবা য়াই।

**খোঙ হাম্বা নুংঙাইনবা টেক্নিকশিং প্রেক্টিস তৌবা**

ইহান হানবা খোঙথাংদি রিলেক্স তৌবনি। খোঙ হাম্নীংলক্লবদি হেক য়ারিমখৈ থুনা খোঙ হাম্বা চঙ্গদবনি। টোইলেটতা নীংথিনা ফম্লগা রিলেক্স তৌগনি। খুদক্তা হেক্তমক খোঙ হামদোকখিনবা শংদুনা হোৎনবা তৌরোইদবনি। খোঙ হামদোকপগী থৌওং অদুগীদমক ইশাগী হকচাংদা মিনিট ৫ মুক পীবিগদবনি। ইনাক্তা পানবা পোৎলম (খুদম ওইনা পাউচে, লাইরিক) থম্বা হায়বসি ঙাইঙমদবা অমদি শংনিংবগী অপাম্বা অদু থাদোক্লবগী পাম্বৈ অমনি।

করিগুম্বা ইশানা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শংলবা নৎত্রগা নুমিৎ খরনি খোঙ হাম্বা য়াদ্রবদি দোক্তরদা য়েংথোক্কদবনি। দোক্তরদা হায়নবগীদমক অতৈ সিম্পটমশিং লৈবরা হায়বদুসু য়েংগদবনি, খুদম ওইনা:

— খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা
— অমাংবা অকনবা নৎত্রগা মতুম মচা মচা ওইবা
— খোঙ মপুঙ ফানা হামদোকপা ঙমদ্রে হায়না ফাওরবা
— পূক নুংশিৎ কাবা
— পূক নুংঙাইতবা
-- অমাংথোঙদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবশিং লৈরগদি খঙজিনগদবনি।

লোয়ননা ইশাগী দাইট অমসুং হকচাং শাজেলগী রুটিনগী মতাংদসু দোক্তরদা খঙহনগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেডিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

---




---

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা সোসল ইস্যুদা য়ুম্ফম ওইরগা ভোট লেপকদবা কেন্দিদেটশিং ইউ উদে



লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক অনৌবা অমদি অরিবা কেন্দিদেট ময়াম অমা মাগী মাগী ৱর্করশিংগা লোয়ননা খোইরেল মসা পাইনরে। কেন্দিদেট অয়াম্বনা ৱা ঙাঙবদা ঐগী এ সী অৱাৎ-অপা লৈহল্লোই হায়দুনা অয়াম্বা মতমদা ভোট খোম্নে অদুগা কেন্দিদেট খরনা পাটি অমনা পার্টি অমবু হুন্দুনা ভোট খোম্মী। ভোট পীগদৌরিবা মীয়াম্নসু হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনদে। সোসল ইস্যুদা ভোট ইউ উদে। ভোটরশিংসু সোসল ইস্যুশিংদা ভোট পীদ্রে, চাক চানবগী অমদি শেল খরা য়াম্না পীরম্বা কেন্দিদেটতা অমদি শেল চাওনা পীবা ঙমগদবা মীওইদা নুমিৎলৈগুম মায় ওনশিল্লি। মসিনা সোসাইটি অসি অফবা অমদি অওনবা অমা পুরকপদি লায়রদনা হেন্নদুম মহাম চেল্লবা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি। লমদম অসিদা সোসল ইস্যু কয়া'মা লৈতবদি নত্তে। তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কয়ানা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা লমদম অসিগী নহা কয়াবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লে। ঙসি লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা গাড়ী কয়া মাঙলি। নেসনল হৃন্দ সেক্যুরিটি এক্তকী চেঙ থা মশিং শুনা লায়রবশিংদা য়ৌহন্দে। ইফোঙ ফোঙনা অদুমক লায়রবগী চাকখাও মৎলি। গ্রেদ ফোরগী থবক মচা অমা লৌবদা লুপা লাক্ষ ৮ দগী হেন্না শেল লৌরি। হায়রিবা সোসল ইস্যুশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা লমদম অসিগী কেন্দিদেটশিংনা ভোটলেপ্পীরবদি লৈবাক অসি য়াইফবা ওইগনি খল্লি।

❐ **সোরোকখাইবম ওজিৎ, লমদিং**

## ২০২২গী এসেমব্লি ইলেক্সনদগী ইশাগী থৱায়না মমল য়াম্মী হায়বসি খঙমিন্নসি



কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকপা য়াই হায়না পানরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল নকশিল্লকপদগী কেন্দিদেট ওইগদবা অমসুং শৌগৎপশিংনা লৈকায় খূদিংদা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা য়ূমথোঙ খূদিং চঙদুনা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎনরক্লে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ খরা শাফরকপদগী অয়ূক-নুংথিলগী মতমদা থল্লম্বা লৈঙাক্কী কর্ফিয়ু কোমথোকখিদুনা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ লৈরি হায়বা কাওবমখৈ থোক্লরক্তুনা লমজাও-সড়কমীনা চিক্ল-চাইনা ঙমদনা তিল্লে। চৈরক অসিদা, কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ ভেক্সিনেসন চাদা ১০০ লোইদ্রিঙৈদো পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা এসেমব্লি ইলেক্সননা অসুম অসুম নকশিল্লকপনা হৌজিক্তগী হৌরগা ইলেক্সন লোইদুনা ভোট হায়দোক্লবা মতুং ফাওবা এস ও পিগী কাঙলোন মেন্টেন তৌদুনা চৎলবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। করিগুম্বা ঙমদবা থোক্লবদি এসেমব্লি ইলেক্সন মতুংদা ঐখোয়গী ইরমদম অসি করম্বা ফিভমদা লাক্লগবা ! খল্লুবদা ৱাদবা ঙমদে। চহী অনী ফানিংচিংৎ লোয়নদুনা লাকপদগী এস ও পিগী পাম্বৈনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙলবা মরম্না ফনা য়াম্না কনবা ইলেক্সন ওইরবসু এস ও পিগী কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা কাওদনবা হোৎনবা তঙায় ফদে। করিগুম্বা ইলেক্সন্দা কা-হেন্না থৱায় লূপশিনখিদুনা এস ও পিগী কাঙলোন কাওবদগী ঙাকপা ঙমহৌদবা থোক্লবদি মমল য়াম্লবা ইশাগী থৱায়গা ইলেক্সনগা ওন্নথোকখিবা ওইনা থোকখিবা য়াই। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীপূম খূদিংমক্লা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা এস ও পি ঙাক্লা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা চঙলি।

❐ **এল ইবোমচা, তাওথোং**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

HL/B/7174

---

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৯।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ৫.৫২ ফাওবা লাংবনগী১৬নি পাল্লি, মতুং ১৭নি পাল্লনি।

মেষ: পাইরক্কী লৌশিং চাওবা নুমিৎনি, কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি নচা-ননাইগী লমদসু পুক্লিং পেঞ্জগনি। থৌনা লৈনসু থৌ পাঙবা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: লোয়নবনা চানবীবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা নুমিৎনি। অরিবা থবক পনগনি, অঙম্বনা য়েংশিনবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: অনিংবা অফবা থবক্তা ঙসিসু শেল থাদবা য়াগনি অমদি লাইবক ফগনি। অদুবু য়েৎনবা মরমদা অমদি মীতোপ থাজবদা মাঙজবতা নংগনি, চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: অঙম্বা মনাক নক্তবনা মীপায়বা নংলোই অমদি অনৌবা থৌরম পাঙদবা ফগনি। মরুপ মপাংগী মতেং অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংবৈ নুংঙাইবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

সিংহ: হোয়া ফবা অমদি মরম চাদনা শাওবনা নরল মাঙজবা য়াবা লৈ, পুক্লিং ফাথৌ। ৱাঙাং হৈবা অমদি থৌরম শিন্দোকপা হৈবনদি চাওনা কান্নবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: নিংজবা থুংগনি, লাইবক ফগনি অমদি থবক পাঙগনি। অদুবু চিন শোয়বনা নরলদা তায়নবা য়াবদি লৈ। অদুবু লান্দবনা মায় পাকপদি উবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: মীচঙ হেনগৎপা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। কল্লক য়েংথিবগী কিবদি লৈগনি, অদুবু লৌশিং চাওবা মীগী পাউতাক লৌরদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ৱারৌনবা অমদি নুংঙাইথোকপা ঙমদবা লৈরসু ইচং থৌবনা ওইজবা তানবদি মায় পাক্কনি। চিংনদনা অরুবা ৱাফমদা ৱা লেপ্পা ঙমগনি, অফবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: ঙাং-শকপদি হান্নদগী হেন্না হৈগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। ৱানোম থৌনোমসু কান্নগনি অমদি শেল-থুম চঙগনি। য়েৎনবনদি মরল ময়েং তানিংঙাই ওই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: য়েৎনবা অমদি চিংনবা কয়া লৈরসু লাইবক ফরনি, শেন্দোং ফংলনি, ইমুং মনুং ৱাতান্নবনা হেন্না কান্নবা ওইগনি। পংশিল্লি, লৌশিং চাওবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরা নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কুম্ভ: মরুপ-মপাং অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। মৈ অমদি হুরানবনদি তাথি, নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি নোল্লুক্লা চৎপনা মাঙগদবদগী কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: লাইবক ফগনি, শেন্দোং ঙসিসু চাওনা ফংগনি অমদি নচা-ননাই ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈ। অদুবু অঙম্বনা তাথি, ফিংগনু অমদি য়েক্লবনা শিংনরক্কনি, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।